ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯸, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯱꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, জুলাই ১৮, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১১০শুবা মশীং

## মিদ-দে মিলগী অচা-অথকশিং
### অঙাংশিংদা করম্বা চীঞ্জাক পীজরিবগে হায়বদু য়েংশিলহন্নিংই

হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মিদ দে মিলগী চাক চারুবদগী অঙাং ৯০০ হেন্না মশা ঙম্লকখিদে হায়বা ৱাফম অসি নুংনাংবা পোক্লিংঙাইনি। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যূমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরি ১৫দগী মিদ দে মিলগা মরী লৈনবা ৱাকৎ ৩৫ লাকখ্রে। চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা পীজনবগী পান্দমদা লৌখৎলিবা থৌরাং অসি থবক্তা ওন্থোকপগী থৌদাং পূন্নমক মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌরিবনি। ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসিগী মখাদা পায়খৎপা মিদ দে মিলগী স্কিমদা করি-করম্বা অশোয়বা লৈবদগী অঙাং ৯৩০ রোম লায়কন্নবগী থৌদোক থোকখিবনো হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লবা মরী লৈনবা ষ্টেটশিংদা য়াথং পীখ্রে। হৌজিক ফাওবদা করি-করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবগে হায়বা ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লবা মরী লৈনবা ষ্টেট পূন্নমক্লা এক্সন টেকন রিপোর্ট (এ টি আর) পীরক্লবসু খঙহনখ্রে হায়রি। অঙাংশিংদা করম্বা মখলগী চীঞ্জাক পীজগদগে অমসুং হকচাং শোক্লোইদবা মওংদা মতৌ করম্না চান-থক্লবা পোৎলমশিং শেম-শাগদগে হায়বগী মতাংদসু মিনিষ্ট্রিনা মরী লৈনবা ষ্টেট অমদি যুনিয়ন টেরিটোরি খূদিংমক্তা গাইদলাইন পীখ্রবনি। মিদ দে মিল স্কিমগী মখাদা থোং থাক্লবা অচা-অথক পূন্নমক অঙাংশিংদা পীজদ্রিঙৈদা স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বর অনী নৎত্রগা অহুম্না চেক তৌবা মথৌ তাই। চাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইদ্রে হায়বা চপ চানা খঙলবা মতুংদা অচা-অথকশিং অঙাংদা পীজগদবনি হায়রি। অদুবু মিদ দে মিলগী চীঞ্জাক চারুবদগী অঙাং কয়া ওবা-ফায়বা তৌদুনা লায়কন্নবগী থৌদোক তোয়না থোরকপদগী হ্যূমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা মরী লৈনবা খূদিংমক চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা কয়ারক হন্না খঙহনখ্রবনি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা স্কিমনি হায়রিবা থৌরাং অসিগী মখাদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা স্কুল অমসুং এদ্যুকেসন গরান্টি স্কিম সেন্টর ১২,৬৫,০০০ দা প্রাইমারি অমসুং অপ্পর প্রাইমারিগী থাক্তা মহৈ তম্লিবা অঙাং ১২০,০০০,০০০ রোম ছুটি নৎতবা নুমীৎশিংদা লেম্না চাক পীজরি। নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টনা কোনশিল্লিবা মিদ দে মিল স্কিমগী থৌরাং অসি কুমজা ১৯৯৫দগী পায়খৎতুনা লাকখিবনি।

কুমজা ১৯৯৫গী ওগষ্ট ১৫দা নেসনল প্রোগ্রাম ওফ ন্যূট্রিসনেল সপোর্ট টু প্রাইমারি এদ্যুকেসন (এন পি - এন এস পি ঈ) হৌদোকখি। প্রাইমারি থাক্তা মহৈ তম্লিবা অঙাংশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা পীজদুনা মহৈ তম্বদা পূক্নিং চঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। অহানবদা লৈবাক্কী ব্লোক ২,৪০৮দা গভর্ণমেন্টকী স্কুল, গভর্ণমেন্ট-এইদেদ স্কুল অমসুং লোকল বোদিনা চল্লাইবা স্কুলশিংদা ক্লাস ৱানদগী ফাইব ফাওবদা তম্লিবা অঙাংশিংদা নুমীৎ খূদিংগী চাক পীজখি। কুমজা ১৯৯৭তা স্কিম অসি লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চৎনহনখিবগা লোয়ননা ক্লাস ৱানদগী ক্লাস ফাইব ফাওবদা তম্লিবা অঙাংশিংদা নুমীৎ খূদিংগী কেলোরি ৩০০ অমসুং প্রোটিন গ্রাম ১২ য়াওবা অচা-অথকশিং থোং থাক্লগা পীজগদবনি। নেসনল প্রোগ্রাম ফোর ন্যূট্রিসন সপোর্ট টু প্রাইমারি এদ্যুকেসন হায়না খঙনরম্বা স্কিম অসি প্রাইমারি এদ্যুকেসন টু নেসনল প্রোগ্রাম ওফ মিদ দে মিল্স ইন স্কুল হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা এদ্যুকেসনেলি বেকৱার্দ ব্লোক ৩,৪৭৯সু কোনশিনখি। লোয়ননা ক্লাস সিক্সতগী ক্লাস ঐথ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংদসু নুমীৎ খূদিংগী চাক পীজবা হৌখি। অচঙবা শেনফমগী চাদা ৬০ সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুথোক্লগা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিদা অরানবা থৌওং কয়া চৎথরম্বগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে। কুমজা ২০০৫ দা চেঙ বেগ ২,৭৬০ হাপ্পগা থৌরকপা ট্রক ৮ দিল্লি পুলিসনা লমখাঙদা ফারগা মরী-মখোঙ থিগৎলুবদা মিদ দে মিল স্কিমগী অঙাংশিংদা পীজনবা চেঙ হুরাল্লগা পুরকপনি হায়বা খঙলকখি। মফম কয়াদা নুমীৎ খূদিংগী মিদ দে মিলগী চাক পীজদবা অমসুং মফম খরদনা মিদ দে মিল স্কিমগী চাক চারুবদা অঙাং শিবা-নাবগী থৌদোক ফাওবা থোকখি। মসিগীসু মথক্তা স্কিম অসি মমিংতগী ওইনা পায়খৎপনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী মরাল শীনরকখি। রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা লৈরিবা অঙাং চাদা ৪২.৫ রোম মচি ওইবা চীঞ্জাক চাবা ফংদবনা হকচাংগী অরূম্বা শুদ্রে হায়রি। মীওই মিলিয়ন ৫০০ রোম অরাম-খৌরাংবগী মৈচাক খাঙলিবা লৈবাক অসিদা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবদি লায়রদনা চরা অনী শুনা চাবা ফংদবা অমসুং চরা হেনবা অঙাং কয়ামরুম লৈ হায়বা গ্লোবেল হঙ্গর ইন্দেক্সতগী খঙবা ঙম্লে। মণিপুরগী ওইনসু শেৎপা-চাবদা মনীং থুংদবা মীওই কয়া লৈরিবনি। অহাউবা মথেল-লুকোই কয়া চাবদি লায়রদনা কৈদৌঙৈ অমুক্তং পূক থন্না চাবা ফংগদগে খনবা মীওই কয়া লৈরিবা লমদম অসিদা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থৌরাং অমা কান্নফম খঙদবগী মওংদা লৈরিবসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### বন মহোৎসব অমদি উসব

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

চহী খুদিংগী বন মহোটসব, উমং কনবগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। ঐখোয়না ইখন খন্নদ্রিবা মৈতৈ খুন্নাইগী লাইনীংদা যূম্ফম ওইরগা উমংবু মরূ কোকহনবগী থৌদাং লৌদুনা লাকই হায়বদু লাল্লোই। মহৌশাগী অঙৈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভম হোংলকপনা মালেমগী শক্তমদা অকায়বা পী হায়বা অখঙ অহৈশিংনা তত্তনা হায়রি। লাইনীংখক্তনা অকায়বা পী হায়বসু লানগনি। চেক্লোনগী চেক শাবদা শীঙ গাড়ী মপোৎ মপোৎ লোইশিল্লি। নিংথম থাগী মতমদা মৈতালনা অঙৈংবসু খাঙনৈ। থাঙ শাবনা য়োৎ শূবদসু অদু মঙাই। চেক্লোনগীদি কোয়লানা মহুৎ শিন্নরক্লে। খন্দুনা য়েংসি, মীওই অমা পোকপদগী মৈতৈশিংগী চৎনবীদা ইপান থাবা, চূড়া-করণ, লুকুন থাংবা, লুহোংবা, মপাম চাক্লৌবা, ইরোয় লোইবদা 'শিবা' পোৎলোইবদগীনা সোরাৎ, লৈখিদ্রবশিংগী থাগী, ফিরোইগী, কুমওনগী দিন হায়নরিবা, লাংবনগী তর্পন। মসিনসু লোইদ্রি লাইশঙশিংগী শঙলেন মান্দোপ কয়াদা কুম্বী-কালেন কাংদ্রবা 'উসব'। লৈকায় লৈকায়গী চাকচা হৈজানবগী মতম। ঐখোয়না লৌরিবা থৌদাংসি মালেমদা অনী শুরমগনি থাজদে। শিবা হায়বদুদি তৌদবা য়াদ্রে। লৈকায় অমদা থা অনী-অহুম শিদবা মতম লৈ।

মথক্তা পঙখিবা অসিদা নুমিৎ, থবান ফবশিংদদি খুরক হাংদনা লাইশোন-তিনশোনগা মরী লৈনবা থবক-থৌরম কয়া পাঙথোক্লে। অমরোমদা ঐগ্যাগী চাকশঙ হায়ব'মসু লৈরি। মসিদা মৈখু খুদবা নুমিৎ য়াওরম্মোই। লৈবাক্কী অথিংবা বন্দ লৈতে। মসিদা লোইরমগদবা শীঙ, পামেল উপালনা কপ্পমগনি। থৌরমশিংসিগী মনুংদা ঙাগী মথেলসুনি। মদুসু মীরমদগী পুশিল্লকপা, শেল-থুমগী ফীভম শোক্লম্বা য়াই। শীঙনা চাক-এঞ্জাং থোংবা ইমুংদি মশীং থিবা য়াগনি। গ্যাসনা অয়াম্বা মহুৎ শিনখ্রবনি। ঐখোয়না শীজিন্নবগী উমংগী মীনা উমং কোকপনি। পাম্বৈ অমা থিফম থোকই। অরোইবদা, উমংগী নুমিৎ লাকপদা ঐখোয়গী লৈঙাক্কী ফমথোন পায়বিরিবা অঙম-অথৌ, লাইরিক লাইশু হৈরবশিংনা লিনসু শিনবা চৈশুসু তেক্তনবা কাঙলোন অমা পুথোকপা মতম ওইরে।

*অদোমগী - থৌদাম ইমো মৈতৈ, খোংমন*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০০

১। 'কোন্থৌজম যূমফম' মণিপুরী পুৱারীদা চাউনা মফম কল্লিবা অমনি। হৌজিক রাজ্যপালনা লৈরিবা মফম অসিনি। মফম অসিদনি মৈদিংঙু চীংথংখোম্বনা ইহান হান্না কাঞ্চিপুরদগী হোঙ্গৎলকখিবসু। খ্বাই খুনফমসু কৌই।
(ক) মৈদিংঙু অসিনা হোঙ্গৎলকপদু শক কয়াদনো?
(খ) শক কয়াদনা মফমসিদা হোঙ্গৎলক্লবা লৈবাক শূবা হৌখিবগে?

২। "চাউবসু কবিনি হায়বদা কনাসু য়েৎলোই। অদুবু কমলগা ফম্মিন্নবদদি য়েংবদা নুংঙাইতে।" ৱাফম অসি কনানা হায়রম্বনো?

৩। "ঐগী ইচে, ঐগী শকয়েং মিংশেলনি। ...ঐগী ইচেদি পোকখায়গদৌবগী ঙাইদুনা লৈরিবা বোমনি।" ৱাফম অসিমনা কনানা হায়বনো?

৪। "হৌজিকপু তূম্বা মতমলা ইতা/ময়াং ক্বাক্লা লাক্লা খোংলি/মীনাই য়োহ্লিং কক্কনি চৎখিবা/নথংলেন শিবগী অশি পাউনিনে।" ৱাফম অসিনা অইবী কনানা হায়রিবনো?

৫। "নোক্কনবী নঙনা নোকখিদ্রবদা/নোকশিরা ঐবু কপশিরা?" ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# শেল পায়বা, শক্তি লৈবা মী নীংশিংলুবা

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

'হুসেন এস জৈদি' কৌবা মুম্বাইগী মমিং লৈরবা জর্নেলিষ্ট (মরুওইনা বোম্বো অন্দরৱর্ল্ড দোনশিংগী মরমদা ইবা থোইদোক্লা মমিং লৈবা), ঙসিদি অইবা ওইনা মমিং চৎলবা অইবসিনা ইবা লাইরিকশিং পারবদি, মুম্বাইগী মমিং চৎলবা মীহাৎপা, গুন্দা, অন্দরৱর্ল্ড (ঐখোয়'সিদা অন্দরগ্রাউন্দ হায়নবা) লুচিংবশিংগী হৌরকফম, পুন্সি-ৱারীদু ফজনা খঙবা ঙমগনি। মহাক্কী 'দোঙ্গ্রি টু দুবাই' (দোঙ্গ্রিদগী দুবাইফাও) হায়বা, নোভেল অমগী মওংদা ইবা লাইরিক্তু 'দাৰুদ ইব্রাহিম' কৌবা মালেমগী থাক্তা ৱান্টেদ নম্বর ৱান 'ক্রিমিনেল' অমনি হায়নরিবা নুপাদুগী পুন্সি ৱারীগুম্বনি। পুকচেল শেংবা, মথৌ মশক খঙবা পুলিস ইন্সপেক্টর অমগী মচানুপা 'দাৰুদ'না করম্না লমহেন তুহেনবা, লমচৎ নাইদবা ক্রিমিনেল অমা ওইরকখিবা; ক্রিমিনেল অমা ওইবদগী হেন্দোক্তুনা শেঞ্জাও পায়বা বিজিনেসমেন অমা ওইরকখিবা; মুম্বাইদগী সেরিয়েল বোম-ব্লাষ্ট থোকহনখিবা কেস অদুদা চেনবা য়াদনা চেন্নরকপদগী লৈবা য়াদদুনা দুবাইদা লোন্না চেনখিবা; দুবাইদসু ঈংনা লৈবা ঙম্লক্তবদগী করাচি (পাকিস্থান) দা চেনখিবা ... পূন্নমকসিগী মরীক চূম্বা রিপোর্ট অমা ৱারী লীবা হৈরবা নুপা অমনা লীবা ৱারী অমগুম পাবা ফংগনি। মহাক মথন্তগী মরল-মথুম'দা মপাল তাংলিবা পাকিস্থান গভর্ণমেন্টকী ৱারী ... মহাক্লা বোম্বে কৌবা সহরসিবু কয়ামুক য়াম্না নুংশিজবা, পামদবা থৌদোক কয়া থোকখিদুনা ইন্দিয়াগী মোষ্ট ৱান্টেদ ক্রিমিনেল নম্বর ৱান ওইরবসু সরেন্দর তৌরগা বোম্বেদা অমুক হল্লক্লবা হোৎনরমখিবগী ৱারী... লাইরিকসিদা মরীক চূম্না লীরি। ইন্টেল্লিজেন্সকী রিপোর্ট'তা 'দাৰুদ' করাচিদা 'হ্বাইট হাওজ' হায়না মিংথোনবা, কোনুংগুম্বা যূমদুদা নিংথৌমচা অমগুম পুন্সি লেল্লি হায়বা ইন্টর-পোল' না খঙলবসু, পাকিস্থান গভর্ণমেন্ট'না ফৈগাক ফৈনা ঙাকখিবনা কনানসু করিমত্তা তৌবা ঙমদে। করাচিগী হ্বাইট হাওজ দা নিংথৌ ওইনা লৈর'সু দাৰুদ ইব্রাহিম, ইন্টরনেসনল কম্যুনিতিগী আইনগী থোঙদা মীচেন (ফ্যুজিটিব) অমনি। মুম্বাই'দা লৈতে হায়বতনি ঙসিসু মুম্বাই অন্দরৱর্ল্ড'দা 'দি-কম্পনি' হায়বা রেজিষ্টর তৌদবা কম্পনি অমগী অচৌবা সেয়র অমা লৈ হায়নরি। ইন্দিয়াগী ফাইনান্সল কেপিটেলনি হায়নরিবা মুম্বাইগী বিজিনেস এক্টিভিটি খুদিংমক্তা দাৰুদকী 'দি-কম্পনি' গী সেয়র শোয়দনা য়াওরমগনি। ইন্টেলিজেন্ট ওরইবা ইন্টেলিজেন্স এজেন্সি অমদি এজেন্ট পূন্নমক, অরানবা তৌবশিংগী ইন্টেলিজেন্স'না থাক ৱাংবা হেল্লি হায়বদু চুল্লম্বা তাই - হুরানবনা মপুদগী মতম পূন্নমক্তা খোঙকাপ অমা মাঙজিল থানা চৎলি হায়নৈদনা!

মপা পুলিস ইন্সপেক্টরদুনা, হায়বা-ইন্দে-লমহেল্লি, মমান্নবা অতৈগুম স্কুল চৎলু-মহৈ-তম্মু য়াদে হায়দুনা চৈফম নাইনা মশীং খঙদা ফূখিবা, লোক-অপতা নুমিৎ কয়ানি থমখিবা অঙাংদুনা হৈরে-শিংলে-কল্লে হায়নরিবা লৈবাক কয়াগী ইন্টেলিজেন্স জোকর তাহল্লিবা, চাউর-চাউরবা কম্পনি অমদি ইন্দষ্ট্রিঅল হাউজ কয়াগী মথক্তা রুল তৌদুনা, খ্বাইদই শক্তি লৈবা মীশক অমা ওইরক্কনি- কনানা কৈদৌঙৈ খনখিবগে?

ৱারী অসি নোংমা মরুপ-মপাং খরা পূনবা, ইনফোর্মেল পার্টি অমদা লীরুবনি ঐহাক্লা। ঐখোয়' ইরক্তগী কনানো অমনা হৌদোক্লকখি - লমদমসিগী শক্তি লৈবা, শেল পায়বা, মৱা চৎপা কনানো? মপুক তপ্পা, লৌশিং শিংবা, মহৈ হৈবা অফবা মী অমত্তা অদুগুম্বা মীশক ওইরক্লোই। করি তৌরি খঙদবা, কদায় চৎলি তাক্তা পঙচৎ চৎপা, রেজিষ্টার কন্ট্রেক্টর ওইদনা থিকাদারনি হায়জবা, অচৌবা-অনানবা-যূম অমা ইরায় লায়না শাদোকপা, মমল-য়াম্বা-কার'দুসু ওন ওন্দুনা তোং'ঙম্বা ... মখোয়দুনি মতমসিগী মীৎনা উবা লাই! লাইনা মখোয়বু কিবনি। লাইনা তৌনু হায়বা থবক্তুমখৈদুনি তৌদৌরিবা মখোয়না। চৈরাক পীদে লাইনসু। মরমদি, ফজবা লাইশঙ শাদৌরিবা, লাইশঙ মথোল লোঙদৌরিবা, লাইগী মান্দব শাদৌরিবা মখোয়নি। কাংশি অচৌবা কৎলিবসু মখোয়নি। মখোয়দি, লাইশঙদসু মীশঙদসু স্পেসল গেষ্ট অমমমনি।

নুমিত্তুদা মরুপ অমনা ৱারী অমগা লী। মশক নাইবা, শেল পায়বা, মন্ত্রিনা চানবা নুপা অমই ৱারীনি। নুপাদু ঐনসু মশক খঙগনি, মানা হায়। মমিংদুদি তাকথোকউ য়াদে। মহাক হান্না করিসু ওইরমদে। নোংমা নুমিদাং অমা লাইবক কৌবা লাই অদু নহা অনীগী শক্তম লৌরগা মাগী ইমুংদা চঙলক্লম্বা জাৎনি অচৌবা ত্রঙ্ক (বোক্স) অমা পুরগা। অহিংদুমত্তং লেকচগে হায়রগা নোংঙানবফাও লৈরম্মী হায়। য়াম্না ঈংনা, নোল্লুক্লা অয়ূক্কী ব্রেকফাষ্ট চারগা 'বোক্স অদু ঙাইহাক লৈরগা লৌবা লাক্কে' হায়রম্লগা থোকখিবদগী হল্লকখিদ্রগা, নোংঙানবগী পাউচেদা 'পুলিসকা খূৎ থোক্লবদা শিরে' হায়বা হেদ্দিং অমই মখাদা মখোয় অনীগী ফোটো য়াওরকখিবদুদা যূম্বুদু কিবগা পাখৎপগা য়ান্ননা অহিং অহুম মরি লেল্লবা মতুংদা উপুদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা লিশীং চৎপী, চামঙা চৎপী, চাম্মা চৎপী চবুন-চবুন য়াওরম্বদুদা থক্কৎখিবা মীহুলদু হন্থহনবা মতম খরা চঙলম্নি। অদুবু কৌই লাইবক থম্বাল শাৎপা তানফম। ঙসিদি মহাক এম এল এ/ মিনিষ্টর/ওফিসরশিংগী চান্নরবা মরুপনি। মহাক্কী শেল তোন্দবা ওফিসর/মন্ত্রি লৈতে হায়। শোয়রোয়, মহাক নোংমা শোয়দনা ভোট লেপ্পুনা এম এল এ ওইরকখিনি।

সিগুম্বা থৌদোক অমদা, মীথুং ওইনা লাক্লম্লিবা মহাক্তুনা লাইবক্কী লাই ওইরমদবা অমসু তাখি। ইনক নকপদা হৈনৌখোঙনেম্বী লৈরম্বা লৈকায়দুদা থোকখিবনি। অশানবা যূম অমদা লৈরগা রিক্সো থৌদুনা নোংমই চরা তানজবা নুপাদুগী রিক্সোদুদা নুমিদাং অমা, নুপা অমা ইপা পাখৎনা কাখৎলগা 'কোঞ্জেং লৈকায়ফাও থিল্লম্মু' হায়বজাৎনি। লুপা তরাগী চাউরপ তৌবা পেগ অনীদুগী নিশা য়ঙ য়ঙ হাইগৎলকপা, ময়ূম ময়াগা ওইবদুদা তান চারে হায়দুনা থৌগৎলকপগী তাঞ্জাদুদা তুংলোমদগী কম্মান্দো গাড়ী অনী লাকপা উবদা নুপাদু ফন চোংথরগা যূম্লকলোমদা চেনশিনখিবা, কম্মান্দোনা তান্নখিবদু লুপা কুনগী পাৱরদু য়াওরমদ্রবদি মাসু পাখৎতুনা লাক্করম্বা য়াই। অশানবা যূম য়ৌদুনা, রিক্সো থৌজিল্লুবদা নুপাদুনা পায়রক্লম্বা ফিগী খাও (তাৱা হায়নবা) চাউরপ তৌবদু উরক্তুনা পুশিল্লগা মাগী কাংখদা থমখিবদু, শেকমাইগী মহীদুনা লৈখৎখিদুনা নুমিৎ মঙা তরানি য়েংলুখিদ্রে।

থা-মখায়মুক্কী মতুংদা, লমফেলগী শঙ্কর-টোকিজ মপাদা নুমিদাং অমা, থৌগদবা রিক্সোদুদা ঙারগা মরোল লৌফম খঙদনা লাউদুনা লৈরম্মী হায় ... 'অসুক চাউবা হোলসিবু, শাজিন্দুনা থল্লগা, সিনেমা কাপত্রি' কৈগীনো.. হৈত্রগা নবুংঙো'ঙোন্দা পীথোকউ, ফজ-ফজবা সিনেমা কাপ্পীগে... নত্তে, ঐবু নঙগী হোলসি লৈবা ঙম্লোই খনব্রো... মমল কয়ানো হায়যু লৈথোক্কে... ঐবু মামুলি রিক্সোৱালা ওইনা উব্রো'...।

পেট্রোল্লিং চৎপা পুলিস টিমগী কম্মান্দরদুনা 'চৎখ্রো চৎলু, চোইরোন লোম্নু চৈ চানি' হায়রুবদসু ওনখত্তুনা 'ঐবু চোইরোন লোনবা অঙাওবরো, ঐগী পৈশা ধমা'ম লৈ, থাজদ্রগা য়েংগেরো' হায়রকপদুদা, গাড়ীদা হাপ্পুনা পুরক্লগা - কদায় নঙগী পৈশাদি হংবজাৎনি।

কাঙখদগী খাউদু চিংথোক্লগা লিশীং অনী চৎপী-চামঙা-চাম্মা-য়াঙখৈ ময়াম্না তোৎশিন্ননা য়াওরিবদু উহল্লগা 'তু সিদা লৈরে' হায়বদুগী মখাদি তাদ্রবসু য়ারে। ৱাখলনা লামশিনবীরো-ওফিসর'দুনা করি ৱাখল খল্লমগনি? ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৭৭

**উসম ধনঞ্জয়**

**জুলাই ২৪, ২০০৯ :** ঙরাং খ্বাইরম্বন্দ বজার মনুংদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক্তা রবিনা অমসুং সঞ্জিৎ লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা ঙসি তোঙান তোঙানবা জে এ সী অমমম শেমখ্রে।

থোকচোম ওংবী রবিনা (২৩) লৈখিদবগা মরী লৈননা ঙসি প্রজা হায় স্কুল, লমশাংগী গ্রাউন্দদা তোঙান তোঙানবা লূপশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা জে এ সী ফোর ব্রুটেল কিল্লিং ওফ থোকচোম ওংবী রবিনা দেবী কৌবা জে এ সী অমা শেমখি।

জে এ সী অসিনা রবিনাগী মীশিগা মরী লৈননা অথুবা মতমদা জুদিসল ইনক্কারি তৌনবা অমসুং মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মথক্তা মতিক চাবা দন্দি পীনবা দাবী তৌরি।

লমশাংদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা জে এ সীগী সেক্রেটরি, সী ঐচ সামোরজিৎনা হায়খি, দাবীশিং অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা মেমোরেন্দম অমা পীশিল্লগনি।

জে এ সীগী মেম্বর, সিনাম ওংবী নোংলৈমনা হায়, রবিনা সেক্যুরিটি পার্সনেলগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদবনি হায়বসি স্পোট ইনক্কারি তৌবা অমসুং থৌদোক অদুবু হকথেংননা উহৌবা মীওই কয়াগী ষ্টেটমেন্টতগী খঙবা ঙম্লে। মহাক্লা হায়খি, মণিপুরদা লৈরিবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী থৌওং কা হেনমল্লি, মখোয়দা মীনুংশি লৈতে। লালহৌবা অমা ফানবা হোৎনবদা মীয়াম তিল্লিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা নোংমৈ কাপখিবসিনা তাকপদি মীচম মীয়াম অসিবু লৈবাক্কী উফুল ওইনা উবনি। মখোয়গী অসিগুম্বা কা হেনবা থৌওং কয়া অসিনা চীংদা আই আর বি অমসুং কম্মান্দো থম্বীগনু হায়দুনা লাউরিবনি।

করিগুম্বা রবিনানা লালহৌবগী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শিবা ওইরবসু মখোয়গী মথক্তা থেংনগনি। নোংমৈ পায়বা অনীগী কনফ্লিক্ট মরক্তা মীচম মীয়ামদি হিংবদা অৱাবা ওইরে, খাঙবা ঙমদ্রে। ঐখোয়দি নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা পামই অদুবু মণিপুর অসি পেন্দবনা হেঞ্জিল্লকপা লৈবাক অমা ওইরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবী রবিনাগী মপুরোইবা, চীংলেনসম্নানা হায়খি, রবিনা মীরোলবা থা তরেৎ শুরে। মহাক নোংমা নীনিগী মমাঙদা মশা নুংঙাইতে হায়বদগী ঙরাং ডোক্তরদা চৎনবা হায়দুনা ঐহাক্লা মোবাইল শেম্বা য়াওরিবা মেজোরখুলদা লৈবা মোবাইল কেয়রগী দুকান্দা লাক্লবা খঙহল্লম্বনি। মদুগী মতুংইন্না মহাক পিক্লিবা চহী অনীমখায়দা ঙাইরিবা মচানুপা রুশেল পুদুনা বজার ফাওদুনা মেজোর খুলগী দুকান তম্না লাকপদা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু নংখিবনি।

রবিনাগী মীশি অসিবু য়ানীংদবা উত্তুনা ঙসি অয়ূক অঙনবদগী হৌনা লমশাং লম্বীশিংদা হৌনরুবা তৌদনা মীওই কয়া থোক্লক্তুনা লম্বীদা টায়র মৈ থাদুনা অমদি উ-ৱানচিংবা কয়া ফৈজিন্দুনা লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিনখি। লম্বী থিংবা অদুনা মরম ওইদুনা লমশাং মায়কৈদা গাড়ী অমত্তা চৎনখিদে।

থোকচোম ওংবী রবিনাগী অশিবা হকচাং ইমুং মনুং অমসুং জে এ সীনা লৌদ্রি। রিমসকী মোর্গতা লৈরি হায়।

অমরোমদা সঞ্জিৎ লৈখিদবগী মতাংদসু জে এ সী অমা শেমখ্রে। জে এ সী অদু (জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ চুংখাম সঞ্জিৎ খুরাই টিনসিদ রোদ ইম্ফাল ইষ্ট) অদু লৈকায় মরি সাজোর লৈকায়, চীঙ্গাংবম লৈকায়, নিংথৌবুং লৈকায় অমসুং লাইশ্রম লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিং অমদি নেতাজি মেমোরিএল ক্লবনা পূন্দুনা শেমখিবনি। জে এ সী অসিনা তোঙান তোঙানবা ৱাফম খরসু ফোঙদোরল্লি। ৱাফমশিং অদুদি ১) ৱাহং-পাউহং তৌদনা মখূৎ চল্লবা মীওই অমবু হাত্তোকপা য়ানীংদে, শিরবা মতুংদা মরাল পীশিনবা য়ারোই। সঞ্জিৎ মীহাৎনা অহানবা নত্তে, শিরবা মতুংদা মরাল পীশিনবা সঞ্জিৎ খক্তা নত্তে, মমাঙদা কয়া অমা তৌখ্রবনি।

২) জুদিসিএল ইনক্কারি তৌ, অথুবা মতমদা মীহাৎপা পুথোকউ। লোয়ননা মীহাৎপা কম্মান্দোশিং দন্দি পীগদবনি অমদি সঞ্জিৎতা শীরিবা মরালশিং অসি জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা য়াবা ঙম্লোই।

৩) মীয়াম তিনবা মফমদা নোংমৈ কাপ্পা য়ানীংদে, কম্মান্দোশিংগী কা হেনবা শাজৎ অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা শেমদোকউ অমসুং ৪) অথুবা মতমদা হায়রিবা থবকশিং অসি লৈঙাক্লা পাঙথোক্কদবনি, করিগুম্বা থবক ওইনা পাঙথোক্তবা তারবদি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম শারি হায়বশিং অসিনি।

নাকল অমরোমদা, চুংখাম সঞ্জিৎ কাপ্পুনা হাৎখিবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ধরনা ফমখি। অৱাং কোংপাল মৈরা পায়বী অপূনবা নুপী মরুপ, কোংপাল সাজোর লৈকায় মৈরা পায়বী, কোংপাল চীঙ্গাংবম লৈকায় মৈরা পায়বী, কোংপাল নিংথৌবুং লৈকায় মৈরা পায়বী অমসুং কোংপাল লাইশ্রম লৈকায় মৈরা পায়বীনা খূৎশম্নয়া শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ধরনা অদুদা মীওইবগী রাইট কল্লু, হাৎলবা মতুংদা মরাল শীবা য়ানীংদে, মরী লৈনবা কম্মান্দো দন্দি পীয়ু হায়বা ৱারোলশিং ইবা প্লে কার্দনচিংবা থেৎখি।

ধরনা মফমদা লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎকী মমা ইনাওতোম্বীনা পাউমীশিংদা হায়খি, মহাক্কী মচানুপা সঞ্জিৎ ঙরাং মহাক্কী মমান্নবা ইবোমচাগা লোয়ননা জে এন হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরিবা মপলগী অয়ূক্কী চাক থিনবা চৎখিবনি। হোস্পিটালদগী মহাক মপনগী হীদাক লৈনবা বজারদা চৎখিবনি।

সঞ্জিৎনা মশাগী চহী ১৩/১৪ রোম শুরকপা অদুৱাইদা লালহৌলূপ আর পি এফ/পি এল এ য়াওরমই। অদুবু পুলিসনা ফারগা জেলদা লৈরুরবা মতুংদা যূমদা থোরক্তুনা লৈবনি। মহাক নোংমগী অফং-অফংবা থবক শূদুনা যূমগী লৈত-লায়র পুদুনা লৈরকপনি হায়নসু ইনাওতোম্বীনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ঙরাংগী থৌদোক্তা চাজেনবী মৌনহা অমগা নুপামচা অমগা শিখিবা অমদি অতৈ মীওই খরনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌওং অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কৌখিবা মণিপুর পূম্বগী বন্দ অদু ঙসি অহিং নোংয়াইদা ঈং-তপ্পা লোইশিনখ্রে।

মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপ, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বী অপূনবা ইমা লূপ, রোদ সাইদ ভেন্দরস ৱেলফ্যের এসোসিএসন, খ্বাই সেন্ট্রেল ইমা মার্কেট নাগামপাল অমসুং ওল মণিপুর নুপী মরুপনা কৌখিবা পুং ২৪গী মণিপুর পূম্বগী বন্দ অদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা খরমখৈ অকায়বা থোকহনখ্রে। বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্নখিদে। অদুবু পাওনা বজারগী দুকানশিংদি হাংবা উখি। অয়ূক অঙনবদা কৈথেল কাবা উনখি লোয়ননা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বস সার্ভিস চেনখি, অথেংবদদি চেনখিদে। গুৱাহাটিদগী টুরিষ্ট বসশিং লাক্লখি। ওটো অমদি টাটা মেজিক সার্ভিসশিং লৈখি। স্কুল, কোলেজ মহৈরোয়শিং কানখি। লৈঙাক্কী ওফিসশিংদা কর্ম্মচারিশিং ওফিস কানখি, থোইদোক্লা বন্দ অসিনা অকায় অতোয় থোকহনখিবগী পাউ লৈতে।

**জুলাই ২৪, ২০০৯ :** মণিপুরবু থম্মোয় শেংনা নুংশিরবদি হোম মিনিষ্টরনা অশেংবা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পুথোকপীয়ু হায়না ঙরাং খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা কৈথেল মনুংদা পাঙথোকখিবা কৈথেল নুপী লূপশিংগী মীয়াম্না তকশিনখ্রে।

ইমা কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপ, ইমা কৈথেল শেমগৎ-শাগৎপা লূপ, মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপ, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) অমদি মণিপুর কৈথেল ফম্বী অপূনবা লূপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা, 'নোংমৈ মরূগী মপু খঙদোক্তুনা মরাল লৈবদু দন্দি পীসি, হোম মিনষ্টিরগী ফম পুরিবা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোক্কদবনি, এম এল এ ৬০ মক মীয়াম্না বোয়কোট তৌগদবনি, নোংঙানবদগী নুমিদাং ফাওবা মীনা কৃক-কৃক ইন্নবা মফমদা নোংম কাপ্পবা হায়বসি য়াম্নমক থম্মোয় শোক্লিংঙাইনি' হায়না নুপী লূপশিং অসিগী মীওইশিংনা ফোঙদোক্লখি।

মণিপুর কৈথেল নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এন মেম্মনা, ঙরাং থৌদোক্তুদা লৈখিদ্রবশিং তশেংনা কনানা হাৎপনো খঙননবা মণিপুরবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবদি হোম মিনিষ্টরনা অশেংবা পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্ট পুথোকপীয়ু হায়না তকশিনখি। "মীওই অমখক তান্নরকপদা অয়ূক্তগী নুমিদাং ফাওবা মীনা কৃক-কৃক ইন্নরিবা খ্বাইরম্বন্দ বজারদা নোংমৈ কাপশিনবা, মীচম হাৎপা নুংঙাইতে। বজারদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মীচম অমদি ইমাশিং হাৎলক্লবদি ইবোবী (চীফ মিনিষ্টর) লিশীং লিশীংসু থেংনগনি' হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

ওল মণিপুর নুপী মরুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট মৈনম ওংবী শখিনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা করিগুম্বা মীহাৎ-মীপূন নৎত্রগা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অমা থোকপদা মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিংনা ফম থাদোকনৈ হায়রদুনা হন্দক্কী থৌদোক অসিদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী ফম থাদোক্কদবনি হায়না দাবী তৌখি। 'মণিপুরদা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমসি ফেল ওইরে, নোংমতা কাংদনা মী হাৎলে। মিনিষ্টরনা রিজাইন তৌবীয়ু, ঈং-তপ্পা অমুক পুরকপ্রা য়েংসি' হায়খি।

এমকিলগী প্রসিদেন্ট শখিনা 'এমেল্লিদা লৈরিবা এম এল এ ৬০, মখোয়গী থৌনা কদাইদা চৎখ্রে' হায়না হংখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।